# প্রিন্স চার্লসনা ক্বীন এলিজাবেথকী মহুৎ শীন্দুনা কম্মনৱেল্‌ঠকী মকোক ওইরগনি

লন্দন, এপ্রিল ২০ (এজেন্সি):

প্রিন্স চার্লসনা মহাক্কী অপোকপী ক্বীন এলিজাবেথকী মহুৎ শিন্দুনা কম্মনৱেল্‌ঠকী মকোক ওইরগনি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

কম্মনৱেল্‌ঠ হেদ ওফ গভর্ণমেন্টকী মীফমদা লৌখিবা ৱারেপ অমগী মতুংইন্না প্রিন্স চার্লসপু মরুওইবা থৌদাং লৌহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকখিবনি হায়রি।

বৃটিশ মিদিয়াগী রিপোর্টনা হায়খি মদুদি, কম্মনৱেল্‌ঠ লুচিংবশিংনা মশাগী চহী ৬৯ শুরবা প্রিন্স চার্লসপু ক্বীন এলিজাবেথকী মহুৎ শিলহন্নবা ৱারেপ লৌখি। ৱিন্দসর কাসলদা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেল্‌ঠ হেদস ওফ গভর্ণমেন্ট মীটিংদা কুপ্না খন্নরবা মতুংদা ৱারেপ লৌখিবনি হায়রি।

মীফম অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিসু শরুক য়াখি। প্রিন্স চার্লসনা কম্মনৱেল্‌ঠকী মকোক ওইরকপদা ইন্দিয়ানা অয়েৎপা পীবগী ৱাফম লৈরোই হায়না সিনিয়র ইন্দিয়ান ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

প্রিন্স চার্লসনা মতম কয়াগী মমাঙদগী কম্মনৱেল্‌ঠকী মকোক ওইনবা থৌরাং লৌখৎপদা ইন্দিয়াগী মতেং লৌনবা হোৎনদুনা লাকখিবনি। মশাগী চহী ৯২ শুরবী ক্বীন এলিজাবেথসু ফম থাদোক্তুনা মচানুপা প্রিন্স চার্লসতা থৌদাং পুন্নমক শিন্নরম্নবা হোৎনদুনা লাকখি।

বকিংহেম পেলেসতা ৱা ঙাঙখিবদা প্রিন্স চার্লসনা হায়খি, অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা কম্মনৱেল্‌ঠকী মকোক ওইনবা মঙলান অমা শাগৎতুনা লাকখি। ইশাগী চহী মঙা শুরকপদা অহানবা ওইনা মালতাদা চৎলুবা মতমদা ৱাখল্লোন অসি ফাওরকপা হৌখি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।




কম্মনৱেল্‌ঠ হায়বসি মালেমগী ওইনা তোঙান তোঙানবা লৈবাক-শিংগী অপূনবা খ্বাইদগী লিরবা পোলিটিকেল এসোসিএসন অমনি। মতম অমদা বৃটিশ এম্পয়ারগী মখাদা লৈরম্বা লৈবাকশিং পুনশিল্লগা শেমখিবা লূপনি।

রিপোর্ট অমনা হায়খি, মেম্বর লৈবাক ৫৩ লৈবা ওর্গনাইজেসনগী মকোক ওইরম্বা ক্বীন এলিজাবেথনা ফম থাদোকখ্রবা মতুংদা হান্নদগী চৎনদুনা লাকপা কাঙলোন অমা হোংদোকপগা লোয়ননা রোয়েল ফেমিলিগী মীওই নত্তবা অতোপ্পা মীওই অমদা কম্মনৱেল্‌ঠকী মকোক ওইহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপা য়াই।

বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর তেরেসা মেনসু ৱাফম অসিমক ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। ক্বীন এলিজাবেথপু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা ৱিন্দসর কাসলদা ৱা ঙাঙখিবদা বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, কম্মনৱেল্‌ঠকী তুংদা থোরক্কদবা পুন্নমক কুপ্না য়েংশিল্লবা মতুংদা মরুওইবা ৱারেপ কয়া লৌবগী তঙাইফদবা লৈরে।

পনবা য়াবদি কম্মনৱেল্‌ঠকী মকোক ওইগদৌরিবা প্রিন্স চার্লসনা হন্দক্তা খা নোংপোক এসিয়া অমসুং ইন্দিয়াগী খোঙচৎতা লাক্লম্বা মতমদা ম্যান্মারদা চৎখিদবনি। অহানবদা প্রিন্স চার্লস অমসুং মহাক্কী লোয়নবী কেমিলানা ম্যান্মার য়াওনা খা নোংপোক এসিয়াগী লৈবাক পুন্নমক্তা চৎনবা থৌরাং তৌরমখি। অদুবু ম্যান্মারদা হৌজিক ওইরিবা ফীভম য়েংলুরগা লৈবাক অসিদা চৎতনবা ফীরেপ লৌখি। রোহিঙ্গা মুস্লিম লাখ ৫ রোম ম্যান্মারদগী চেম্থোরক্লগা বাংলাদেশতা চঙজফম লৌখিবগী থৌওংবু মহাক্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

# অনীশুবা লাঞ্জাও মতমগী বোম লৈরম্বদগী বর্লিন্দা মীয়াম মীপায়নখ্রে

বর্লিন, এপ্রিল ২০ (এজেন্সি):

অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাও মতমগী পোকখায়দ্রিবা বোম অমা থেংনবদগী সেন্ট্রেল বর্লিন রেলৱে ষ্টেসন মনাক নক্লা লৈবা মীওই পুন্নমক খুদোংথিবা থোক্লোইদবা মফমদা হোংদোকহনখ্রে।

রিপোর্ট অমনা হায়খি, পুলিসকী বোম স্কৱাদনা পাউন্দ ৫০০ লুম্বা অনীশুবা লাঞ্জাও মতমগী বোম অদু অশোয় অঙাম য়াওহন্দনা পোকখায়-হনবা নৎত্রগা মৈনা শৎতোক্লবা হোৎনরিঙৈ মনুংদা ট্রেন, ট্রাম, বস অমদি ফ্লাইট কয়ামরুম লেপহনখি। সেন্ট্রেল রেলৱে ষ্টেসন্দগী মিটর ৮০০ না কোনবা মফম পুন্নমক খুদোংথিবা থোরকপা য়াই খনবদগী মীওই অমত্তা চঙহনখিদে।

বোম লৈরম্লিবা মফম অদুদা ট্রেন ষ্টেসন, আর্মিগী হোস্পিটাল, ইকোনোমি মিনিষ্ট্রি, আর্ট গেলরি, ম্যুজিয়ম অমসুং বি এন দি ইন্টেলিজেন্স সার্ভিসকী অনৌবা হেদক্বার্টরস লৈ। লান লোইখ্রবা মতুং চহী ৭০ হেল্লক্লবসু মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা পোকখায়দ্রিবা বোম কয়ামরুম লৈরম্বা থেংনখ্রে।



মথক্তা পাক শন্না বোম থাদবগী কেম্পেয়্যন চঞ্খিবা মতমদা পোকখায়হৌদবা বোম কয়ামরুম য়াওখি। হৌজিকসু মীওই লাখ ৩০ রোম খুন্দাবা বর্লিন সিটিখক্তদা পোকখায়দ্রিবা বোম ৩০০০ লোম লৈরম্বা য়াই হায়না থাজনরি।

পুলিসনা বোম লৈরম্লিবা মফম অদুগী মনাক নক্লা কনাগুম্বা মীওই অমত্তা চঙহনখিদবগা লোয়ননা অশোয় অঙাম য়াওহন্দনা বোমগী মৈনা শৎতোক্লবা হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

পনবা য়াবদি, লন্দন সিটিগী এয়রপোর্টতা হন্দক্তা অনীশুবা লাঞ্জাও মতমগী পোকখায়দ্রিবা বোম অমা থেংনখ্রবনি। এয়রপোর্টকী রনৱে মনাক নক্লা কিলোগ্রাম ৫০০ লুম্বা জর্মনিগী বোম অমা লৈরম্বা থেংনখি। পুলিস অমসুং রোয়েল নেভিনা পোকখায়দ্রিবা বোম অদু থাপ্না পুথোক্লবা হোৎনরিঙৈগী চৈরক্তা এয়র-পোর্টকী থবক থৌরম পুন্নমক য়াওহন্দনা খুদোংথিবা থোক্লোইদবা মফমদা পুথোক্লগা মৈনা শৎতোকখ্রবা মতুংদা লন্দন সিটি এয়রপোর্টতা হান্নগী মতৌগুম নৌনা অমুক মথৌ তৌবা হৌহনখি।

পুংজা খরা এয়রপোর্টকী মথৌ লেপখিবা অদুনা মরম ওইরগা লন্দনগী মঙাশুবা খ্বাইদগী চাউবা এয়রপোর্টতগী তোঙান তোঙানবা মফমদা চৎকদবা পেসেঞ্জর ১৬,০০০ খুদোংচাদবা মায়োক্লখি।

# চাইনাগী থৌরাংনা ঈং-তপ্পা কায়হল্লকপা য়াই : টাইৱান

বৈজিং, এপ্রিল ২০ (এজেন্সি):

চাইনিজ মিলিটরিনা লানগী শাজেল পাঙথোকখিবনা মরম ওইরগা ঈং-তপ্পা ফীভমদা অকায়বা থোকহল্লকপা য়াই হায়না টাইৱাননা ফোঙদোকখ্রে।

মেনলেন্দ এফেয়র্স কাউন্সীলনা হায়খি মদুদি, চাইনিজ মিলিটরিগী থৌরাংনা টাইৱানগী মীয়ামদা মীপায়বা পোকহনবগা লোয়ননা মায়কৈ অসোমগী ঈং-তপ্পা ফীভমদা অকায়বা থোকহল্লকপা য়াই।

টাইৱানিজ মীয়াম্না লৈবাক্কী নীংতম্বা অমসুং ঈকায় খুম্নবা ঙাক্লবা শেম শাদুনা লৈ হায়না পল্লদুনা মেনলেন্দ এফেয়র্স কাউন্সীলগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, অতোপ্পা লৈবাক্না মিলিটরিগী মতিক ময়াই শীজিন্নদুনা কিহল্লকপা তারবসু টাইৱানিজ মীয়াম্না খোঙফম হন্দোকপা তৌরোই।

চাইনানা হন্দক্তা খা নোংপোক থংবা সমুদ্র মপালদা লানগী শাজেল পাঙথোকখ্রবা মতুংদা টাইৱানগী ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি।

লানগী শাজেল অদুগী শরুক অমা ওইনা চাইনাগী ফাইটর প্লেন অমসুং স্পাই প্লেন কয়ামরুম টাইৱানগী অকোয়বদা পাইখি। মরোমদোম লৈঙাকচবা টাইৱানবু চাইনাগী শরুক অমনি হায়না মতম কয়াগী মমাঙদগী বৈজিংনা ক্লেম তৌদুনা লাকখি। চাইনিজ এয়রফোর্সকী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি মদুদি, টাইৱানগী অকোয়বদা ঐচ-৬ কে বোম্মর য়াওনা ফাইটর প্লেনশিং পাইদুনা লানগী শাজেল পাঙথোকখিবদু অতোপ্পা লৈবাকশিংদা কিহন্নবগী মতাংদা লৌখৎখিবা থৌরাং নত্তে। চাইনাগী শরুক অমা ওইরিবা টাইৱানগী অকোয়বদা ফাইটর প্লেন পাইবদা অকায়বা লৈতে।

# য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা নাসাগী অনৌবা মকোক খনখ্রে



ৱাশিংতন, এপ্রিল ২০ (এজেন্সি):

য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা নেসনল এরোনোটিক্স এন্দ স্পেস এদমিনিষ্ট্রেসন (নাসা) গী অনৌবা মকোক ওইনা খনখিবা জিম ব্রিদনষ্টাইনবু সিনেটনা অয়াবা পীখ্রে।

সিনেটনা ভোট লৌনখিবা মতমদা ওক্লাহোমাগী কোংগ্রেসমেন জিম ব্রিদনষ্টাইননা ভোট ৫০ ফংখি। মহাক্কী মায়োক্তা সিনেটর ৪৯ না ভোট পীখি। নাসাগী ১৩ শুবা এদমিনিষ্ট্রেটর ওইরবা ব্রিদনষ্টাইন য়ু এস নেভিদা থবক তৌরম্লগা লোয়ননা পাইলোটসু ওইরম্মী। থা লৈবাক্তা মীওইবা চৎপা য়াহন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎতুনা লাকখিবা ব্রিদনষ্টাইন্না নাসা অমদি কম্মর্সিয়েল স্পেস ইন্দষ্ট্রিগী মরক্তা নক্লবা মরী থম্নবা মথৌ তাই হায়না ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০১৬ তা পাঙথোকখিবা প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা মহাক্না দোনাল্ড ত্রম্পপু মপুং ফানা শৌগৎখি।

দোনাল্ড ত্রম্পনা নাসাগী অনৌবা মকোক ওইনা খনখিবা ব্রিদনষ্টাইনবু দেমোক্রেটিক সিনেটর খরনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকখি।

য়ু এস কোংগ্রেসকী অয়াবা মতুংইন্না ত্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসন্না নোর্থ কোরিয়াগা ৱারী শাননবা থৌরাং লৌখৎখ্রবা মতুংদা প্রসিদেন্ট ত্রম্পনা হায়খিবনি মদুদি, করিগুম্বা নোর্থ কোরিয়ান লুচিংবা কিম জোংগা ৱারী শানবদা কান্নবা ফংদ্রবদি খুদক্তা খোঙফম হন্দোক্কনি।

লাক্কদৌরিবা চয়োল খরগী মনুংদা কিম জোং উনগা ৱারী শানদুনা কোরিয়ান পেনিনসুলাদা ন্যুক্লিয়ার খুৎলায় অমত্তা লৈহন্দনবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়না পল্লদুনা ত্রম্পনা হায়খি, ন্যুক্লিয়ার খুৎলায় থাদোকহন্নবগীদমক নোর্থ কোরিয়াদা মখা তানা অকনবা প্রেসর পীবা মথৌ তাই।

য়ু এস অমসুং নোর্থ কোরিয়াগী ওফিসলশিংনা ৱারী শানবদা খুদোংচাগদবা মফম খনবগী থবক কন্না চঞ্খরি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা ত্রম্প অমসুং কিম জোং কদায়দা উনগদগে হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

হিরম অসিগী মতাংদা ত্রম্পনা হায়খি, অহানবা ওইনা কোরিয়ান পেনিনসুলাদা ন্যুক্লিয়ার খুৎলায় লৈহন্দনবা ৱারী শানগদৌরিবা অসি পুৱারীদা ময়েক শেংনা নীংশিংদুনা লৈহৌরগনি।

হ্যুমেন রাইটস খোঙ্গাওনৈ হায়বগীদমক নোর্থ কোরিয়াবু মালেমগী অতৈ অতোপ্পা লৈবাক-শিংনা মতম শাংনা নাইতোম ইন্থোক্তুনা থম্লকখিবনি। নোর্থ কোরিয়ানা হৌজিক ফাওবদা ন্যুক্লিয়ার খুৎলায় তরুক চাংয়েং তৌখিবগা লোয়ননা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস য়ৌনা কাপ্পা ঙম্বা মিসাইল কয়ামরুম লৈরে হায়না মমাঙদা ফোঙদোকপা লৈখ্রে। হন্দক্তা সী আই এগী দিরেক্টর মাইক পোম্পিওনা নোর্থ কোরিয়াদা চৎতুনা কিমগা ৱারী শানবা লৈখ্রবনি।

## মহৈরোয়শিংনা খোঙচৎ চৎখ্রে

কোলোরেদো, এপ্রিল ২০ (এজেন্সি):

কলম্বাইন্দ হায় স্কুলদা মীওই কয়া হাৎখিবগী ১৯ শুবা কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা মহৈরোয় লিশিং কয়ানা অচৌবা খোঙচৎ অমা চৎখ্রে।

নোংমৈ পায়বগী মতাংদা চৎনরিবা লো শেমদোকহন্নবা পোলিটিসিয়ান-শিংদা তকশিনবা ওইনা মহৈরোয়-শিংগী খোঙচৎ অদু চৎখিবনি। লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমদা পাঙথোকখিবা খোঙচৎতা স্কুল অমদি ইনষ্টিট্যুসন ২,৬০০ গী মহৈরোয়-শিংনা শরুক য়াখি হায়না থৌরম অদুবু শিনখিবা মীওইশিংনা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ১৯৯৯ গী এপ্রিল ২০ দা কলম্বাইন্দ হায় স্কুলদা মহৈরোয় অনীনা অতোপ্পা মহৈরোয় ১২ অমসুং ওজা অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্লবা মতুংদা মশা মথন্তা কাপশিঞ্জদুনা শিজখিবনি। থৌদোক অদুবু মহৈরোয়শিংনা কন্দেম তৌখি।

# রোহিঙ্গা রেফ্যুজিগী কেম্পশিং কা-হেন্না ফীভম চাদবগী মতাংদা ম্যান্মারগী মিনিষ্টর অমনা নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে



য়াঙ্গোন, এপ্রিল ২০(এজেন্সি):

বাংলাদেশতা লৈরিবা রোহিঙ্গা রেফ্যুজিগী কেম্পশিং কা হেন্না ফীভম চাদবগী মতাংদা ম্যান্মারগী মিনিষ্টর অমনা নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে।

নোংজুথা নকশিল্লকপা মরম্না য়ারিবমখৈ অথুবা মতমদা রেফ্যুজিশিং হল্লকহন্নবা থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তাই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

ম্যান্মারগী মিলিটরিনা অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা চঞ্খিবা ওপরেসন্না মরম ওইরগা রোহিঙ্গা মুস্লিম লাখ ৭ রোম বাংলাদেশতা চেলহনখিবনি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্স অমসুং হ্যুমেন রাইটস গ্রুপশিংনা ফোঙদোকখি।

রেফ্যুজি পুন্নমক খা থংবা বাংলাদেশকী কোক্স বজার মনাক্তা ৱা অমসুং প্লাষ্টিক্না শাবা য়ুমদা য়াম্না ফীভম চাদবা মওংদা লৈরি। মরৈবাক থাদোক্তুনা চেল্লকখ্রবা রোহিঙ্গা রেফ্যুজিশিংনা রখাইন ষ্টেটতা ম্যান্মারগী মিলিটরিনা নুপী ওইবী কয়া নমদুনা ফল্লানখিবা অমসুং মফম কয়াদা পাক শন্না মৈ থাদোকখিবগী ৱাফম ফোঙদোকখি।

থৌওং অদু মীওই ফুরুপ অমা তুম্না মাঙহন্নবা থৌরাং লৌখৎপনি হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং য়ু এননা ফোঙদোকখি। ম্যান্মারগী সোসল ৱেলফেয়র মিনিষ্টর ৱিন মিয়াদনা পাউমীশিংদা হায়খি, নুমীৎ নীনি চুপ্না কোক্স বজারদা চৎতুনা রোহিঙ্গা রেফ্যুজিশিংগী কেম্প য়েংশিল্লুরে। ফীভম চাদনা লৈহৌরিবা রেফ্যুজি পুন্নমক নোংজুথা য়ৌরক্ত্রি ঙৈদা মরৈবাক্তা হল্লকপা য়াহন্নবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই।

মমাঙ চয়োলদা ম্যান্মারনা রোহিঙ্গা রেফ্যুজি হল্লকপা হৌরে হায়েনা ফোঙদোকখি। ৱাফম অদু বাংলাদেশ গভর্ণমেন্ট অমসুং য়ুনাইটেদ নেসন্সনদি অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

থা কয়া ৱারী শানরবা মতুংদা ম্যান্মার অমদি বাংলাদেশনা রেফ্যুজি পুন্নমক চহী ২ গী মনুংদা হলহন্নবা থৌরাং লৌখৎপা হায়না য়ানবা পুরকখি। হন্দক্তা ম্যান্মারদা চৎতুনা ফীভম য়েংশিনখিবা য়ু এনগী সিনিয়র ওফিসল অমনদি হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা রেফ্যুজিশিং ম্যান্মারদা হনবা খুদোংচাখিরোই হায়না ফোঙদোকখি।

ম্যান্মারগী সোসল ৱেলফেয়র মিনিষ্টরনা পাউমীশিংদা হায়খি, বাংলাদেশতগী হল্লকপা রোহিঙ্গা রেফ্যুজিশিংদা নেসনল ভেরিফিকেসন কার্দ (এন ভি সী) পীনবা শেম শাবা লোইরে। ময়ুম-মকৈ লৈজদবা রোহিঙ্গা ফুরুপকী মীওইশিং রেজিষ্টার তৌনবগী মতাংদা লৌখৎলকপা থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা এন ভি সী পীনবা শেম শাখিবনি।

মহাক্না হায়খি, এন ভি সী পায়রবা মীওইশিংনা থা ৫ গী মতুংদা ম্যান্মারগী সিটিজন ওইবা ফংগনি। মরী লৈনবা ওথোরিটিনা কুপ্না য়েংশিল্লবা মতুংদা সিটিজনশিপ পীবগী থৌরাং লৌখৎকনি। নোংজু থা য়ৌশিল্লকপা থোক্লবদি বাংলাদেশকী রেফ্যুজি কেম্পশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা রোহিঙ্গা ফুরুপকী মীওইশিং কা হেন্না খুদোংচাদবা মায়োক্লগনি হায়না ইন্টরনেসনল এদভাইজরশিংনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

য়ু এনগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি জেনরেল ফোর হ্যুমেনিটরিয়ান এফিয়ার্স উর্সুলা মুলরনা হায়খি মদুদি, হৌজিক হৌজিক রোহিঙ্গা ফুরুপকী মীওইশিং ম্যান্মারদা হল্লকপা মতমদা খুদোংথিবা নংগনি হায়বা চপ চানা খঙবা ঙম্দ্রে। ম্যান্মার গভর্ণমেন্টনা রেফ্যুজি পুন্নমক লৌখিল্লকপগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবসু হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা রেফ্যুজিশিং হল্লকপা খুদোংচাখিরোই হায়না য়ু এনগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি জেনরেলনা পাউমীশিংদা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# শ্রীলঙ্কাগী দিষ্ট্রিক্ট ১০ দা লৈরিবা মীওই লাখ ৫ রোম ইকংগী অৱাবা মায়োক্লরি : শ্রীলঙ্কান দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট সেন্টর

কলম্বো, এপ্রিল ২০ (এজেন্সি):

শ্রীলঙ্কাগী দিষ্ট্রিক্ট তরাদা লৈরিবা মীওই লাখ ৫ হেন্না ইকংগী অৱাবা মায়োক্লরি হায়না শ্রীলঙ্কান দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট সেন্টর (দি এম সী)না ফোঙদোকখ্রে।

অৱাং, অৱাং নোংচুপ অমদি নোংপোক থংবা প্রোভিন্সশিংগী মনুং চন্না লৈবা দিষ্ট্রিক্ট ১০ গী মনুংদা খ্বাইদগী ফীভম শোক্লবা দিষ্ট্রিক্টতি মীওই ২,১৬,৬৭০ খুন্দাবা পুতালম দিষ্ট্রিক্টনি হায়না দি এম সীগী রিপোর্ট পল্লদুনা জিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সীনা ফোঙদোকখি।

দি এম সীগী স্পোক্সমেন প্রদিপ কোদিপিলিনা হায়খি, মীওই কয়ামরুম ঈশিং থকপা ফংদবগা লোয়ননা মহৈ মরোং পুথোকপা ঙমদবগী ফীভমদা লৈরে। অদুবু লৈবাক্কী অতৈ অতোপ্পা মফমশিংদদি মহৌশাগী মতমগুম নোংচুবা মরম্না খুদোংথিনিংঙাই ওইদে।



প্রসিদেন্ট মাইত্রিপালা সিরিসেনানা একর ৬০০ পাক চাউবা মফমদা চুজাক থাদুনা ইকংগী অৱাবা মায়োক্লরবা মীয়ামগী মতেং পাংনবা অখন্নবা থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়না মরী লৈনবশিংদা খঙহনখ্রে।

খ্বাইদগী ফীভম শোক্লবা পুতালম দিষ্ট্রিক্টকী লৌমীশিংদা তেংবাংগী পোৎলমশিং ফংহনবগা লোয়ননা চুজাক থাদুনা অৱাবা মায়োক্লরবা মীয়ামগী মতেং পাংনবা থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়না প্রসিদেন্টনা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখি।

/CORRECT NAME

My name **Maisnam Ashalata Devi** *or* **Chirom Ashalata Devi** is the same and only one person. But my Certificate name as Maisnam Ashalata Devi should be always enforced in any official matter. This is true to my knowledge.

HL-P/1064/21 *Sd/-* **Maisnam Ashalata Devi**

/DOCUMENT LOST

I have lost my Original Marksheet and Admit Card of HSLC Examination, bearing Roll No. 27761 of 2015 issued by BOSEM & Admit Card of Hr. Sec. Exam. bearing Roll No. 2542 of 2017 issued by COHSEM, on the way from Thoubal Bazar to Lilong Bazar on 20/03/2018. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

*Sd/-* **Ningthoujam Dinesh Singh**
Wangoo Tera Lupa Marup
HL-P/1065/21 ☎ 7629948707

/DOCUMENT LOST

I have lost my Original Certificate of HSLC Examination, bearing Roll No. 662 of 1986 issued by BOSEM, Original Certificate of P.U. Arts Examination bearing Roll No. 14340 of 1988 issued by Manipur University, Original Certificate and Marksheet of B.A. bearing Roll No. 10042 of 1990 & Registration No. 617 of 1987 issued by Manipur University, on the way from Yaiskul to Paona Bazar on 15/04/2018. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

*Sd/-* **Ayam Lakshipyari Devi**
Yaiskul ☎ 9612492129
HL-P/1067/21

/DOCUMENT LOST

I have lost my Original Marksheet of Class XII Examination (All India Sr. School Certificate Exam. 2011), bearing Roll No. 4646961 of 2011, Migration Certificate issued by CBSE and Transfer Certificate issued by Vikas Vidyaniketan, Vizag, on the way between Keinou to Bishnupur on 2/04/2018. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

*Sd/-* **Richard Leishangthem**
Keinou Thongkha, P.O. Nambol
HL-P/1070/22 P.S. Nambol ☎ 8730087430

PRESS RELEASE

**National Institute of Technology Manipur**

Prof. Goutam Sutradhar, has assumed the charge as Director of National Institute of Technology Manipur, with effect from the forenoon of 18th April, 2018. Prof. Sutradhar was earlier working as professor in the Department of Mechanical Engineering, Jadavpur University.

*Sd/-* **R.K. Lalit Singh**
*Registrar, NIT Manipur*
HL-B/4576/21

**OFFICE OF THE KHANGABOK PART-I GRAM PANCHAYAT THOUBAL C.D. BLOCK**

No.01/KBK-I(GSM)/2018 Khangabok Part I, 12th April, 2018

/ NOTICE

অসিনা মরম ওইরগা Director RD & PR, Govt. of Manipur order No. 6/2-34/88/(RD/PR) RGPSA-2015/Part-1 Dated 10th April, 2018 গী মতুং ইন্না Khangabok Part I Gram Panchayat অসিদা লৈরিবা প্রজাশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি লাক্লিবা তাং ২৪-৪-২০১৮ ইং, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা National Panchayat Day গা মরি লৈননা Special Gram Sabha Meeting অমা পাঙথোকচগনি। মরম অসিনা Khangabok Part I Gram Panchayat অসিগী প্রজাশিংনা মতম চানা লেংবিরক্তুনা মীটিং অসিবু মপুং ফাহনবীয়ু হায়না হাজরি।

*খন্নগদবা হীরমশিং ঃ* 1. Gram Panchayat Development Plan (GPDP).
2. Mobilisation of Own Source Revenue (OSR).
3. Identifying and Honouring the persons who have done exemplary works or have contributed significantly to the well being of the Gram Panchayat.

*মফম ঃ* - Community Hall Khangabok Sorok Wangma
*মতমঃ* - নুংথিল পুং ২

*Sd/-* **Th. Kebisana Devi**
Panchayat Secretary, Khangabok Part I Gram Panchayat, Thoubal CD Block
HL-P/1076/21

## ভেনিজ্যুএলাগী মতাংদা থিগৎতৌরি

ৱাশিংতন, এপ্রিল ২০ (এজেন্সি):

লেটিন অমেরিকাগী লৈবাকশিং, য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং য়ুরোপকী ফাইনান্স মিনিষ্টরশিংনা ভেনিজ্যুএলা গভর্ণমেন্ট মনুংদা চঞ্বা শেঞ্জা থুমজাগী থৌওংশিং থিগৎনবগী মতাংদা য়ানবা পুরকখ্রে।

ভেনিজ্যুএলান গভর্ণমেন্টকী ওফিসলশিংনা অরানবা মওংদা লৌথোকখিবা য়াম্লবা শেনফমশিং কদায়দা কমদৌনা থৈদোকখিবগে হায়বা চপ চানা খঙদোক্লবা য়ুরোপ অমদি লেটিন অমেরিকাগী লৈবাক ১৬ কী ফাইনান্স মিনিষ্টরশিংনা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়না য়ানবা পুরকখি।

ADMISSION OPEN

**ENGLISH COACHING**

*For*

- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- BOARD EXAMS (IX, X, XI & XII)

*At*

SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)

Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal

Contact Nos. ☎ 8974642764

HL-B/4545/25/3-25/4